# অহানবা সিনতাক পুরেল নীংশিং মনা গ্রান্দ মাষ্টর্স ত্রোফি চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ওগষ্টকী ১০ দগী ১৪ ফাওবা অহানবা সিন্তাক পুরেল নীংশিং মনা গ্রান্দ মাষ্টর্স ত্রোফি ৩৩ শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী হিজম হেমজিৎ মৈতৈনা ঙসি মেজোরখুনদা লৈবা প্রেস ক্লবকী হোল নম্বর ৩দা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চেম্পিয়ন্সিপ অসি তোঙান তোঙানবা কেতেগোরি মঙা–মিনি, সব–জুনিয়র, কেদেদ, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র নুপা অমসুং নুপীগী অথোই–অহেন তান্নগনি।

চহি ১২ মখাগী মিনি কাংলুপ্তা ৱেঠ কেতেগোরি অনী কেজি ২০ দগী ২৫ অমসুং কেজি ২৫দগী ৩০ দা শান্নগনি। অদুগা চহি ১৪ মখা সব–জুনিয়র কাংলুপ্তা তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরি অহুমদা শান্নগনি। অদুগা চহি ১৭ মখা কেদেদকী কাংলুপ্তসু ৱেঠ কেতেগোরি অহুমনা শান্নরগনি।

চহি ২০ মখাগী জুনিয়র অমসুং সেনিয়র কাংলুপকী ওইনা ৱেঠ কেতেগোরি অনীদা শান্নগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংদগী খনগৎলবা হৈথোই–শিংথোইরবা শান্নরোইশিংখক্কী ওইবা ঙক–খুদাং ককপা হায়বা ইভেন্ট অমসু হাপচিনবগা লোয়ননা মমাঙদা লৈরম্বা ওভর ওল চেম্পিয়নগী কেস প্রাইজতগী হেনগৎনা হন্দক্কী অসিদা লিশিং ৩০ গী মনা পীগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাওমিশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টগী ফমবু পুরিবা মুতুম অরুনকুমার মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা য়েক তরেৎনা খুন্দা লৈতাদুনা য়েলহৌঙৈদগী নিং–খাতম্না পাঞ্জরম্বা লোইবী চীংলোন মাপলনা লৈরাং থম্বালগী লৈকা ওইরগা তম্পাক্না থমচেৎকুম নিংথিজবী লৈবাক মচা তাবা ঈরুপ অমনি। ইশাগী লোন, য়েক, ঈনাৎ, লাইনিং–লিচৎ, য়ুম্বানলোন, লৈঙাকলোন, থকশি–খাসি লৈনা লৈবাক নিংথৌ পান্দুনা ঙসি ফাওবা চহি লিশং কয়া পাঞ্জরকলিবা মীওইবা খুন্নাইলক্তগী তোপ তোপ্পা ফুরুপ অমনি।

হুয়েল লানলোং (থাঙ–তা) গী মহৈশিংনা য়েক্লবা কয়া থেংনদুনা ঈরৈপাকসি ঙাকচদুনা ঐখোয়গী লমখৈ কায়দনা পাঞ্জরকখি। মীতৈ ঈপা–ঈপু, পাথাং–পুথাং কোক্না লাই হাক্তক্তগী থাং–তা, শরিৎ–শারাক, মুক্না, মুক্না কাংজৈ, শগোল –কাংজৈ, য়ুবীলাকপীনচিংবা য়েলহৌঙৈগী মশান্না কয়াবু তৎন–থান্নবা য়াদ্রবা শিনফম অমা ওইনা পোকপদগী চেন্নরকপগুম্না মহৈসিবু কঞ্জদুনা লাক্লি।

মতমগী মতুং ইন্না ঈপা–ঈপুনা থম্বীরম্বা ঈনাৎকী মহৈ, লৈঙাকলোনগী য়াংলেন শরু ওইরিবা থাঙ–তাগী মহৈসি মুৎপা য়াম্না লৈরম্বদগী শিন্থাক পুরেল কয়ানা মৈনা ৱাই, তাংনা শম্বগুম্না শিন্তাকপুরেল কয়ানা লোন্ন–থুপ্না তম্বীদুনা মহৈরোয় কয়া পুথোক্কদগী ঙসিদি মালেমদা মণিপুরনা ভারত তিল্লবগী তুংদা ভারত মহুৎ শীন্দুনা থাঙ–তাগী ফজরবা শক্তম কয়া উৎতুনা মালেমদা শক্তাকলি।

শগোল কাংজৈগুম্না মালেমদা লৈরমদ্রবা চৈবী মশান্না পুথোক্লবগীদমক মণিপুরগী থাং–তাগী লমদা শিংথানরিবা শিন্তাক পুরেল (ওঝা) শিং– মোইরাং থেম ইবেতোম্বী, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, চোংথাম অচৌ, জি গৌরকেশ্বর, জি স্না, সাইখোম নোদিয়া, লৈতানথেম হেরামোৎ, ময়াংলাংবম থাবল অমদি সিনাম দেবব্রত্ত গী অয়াবা লৌজরগা ইং ১৯৯৮ ওক্টোবর ১৮ দা শগোবন্দ সালাম লৈকায়গী ক্লবতা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন লিংখৎখি।

মহাক্না মখা তানা চৈবী মশান্না অসিগী শান্ন–কাংলোনশিং হায়বদি চৈবী মশান্নসি খ্বাং (খোইদৌ) মখাদা ফুবা য়াদে থিনবা, কাউবনচিংবা য়াদে। থকসি–খাসিনা মপুং ওইবা লৈবাক মচা তাবা মশান্ননি।

মহাক্না মখা তারদুনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিগী লোইজিং–লোইয়া, খুঙ্গং কয়া–তাকয়েল সাই সেন্টর, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স, উরিপোক, শগোবন্দ, ইমা চীংজ্রোইবী খুরাই, ইমা লাই খুলেম্বী শাজোর লৈকাই, লাইনীং থৌহনবা খুরাই চিংঙাবম লৈকাই, চীংঙারেল উখুল রোদ, শিংজমৈ চীংঙামখা, ককচিং,কুম্বী, থোংজু, মালোম ইয়রপোর্ট, নম্বোল অমসুং কৈশামপাৎনচিংবা চত্নুনা মফম হোং–হোংদুনা চৈবী মশান্নসি শনে দাক্লি।

য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা চৈবী য়েন্দম্লবা (ফুনবসি লৈবাক মচা তাবা থকসি খাসিনা য়ুমফম ওইবা লমচৎ শাজৎ, ফত্তবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্তবা য়াদবা মহৈনি হুয়েন লানলোং (থাং–তা) দগী থাংয়ান, খোংফম, ফিদুপ লৌথোক্তুনা শরিৎ শারাৎকী মওংদা শাথেং–লাম্থেংনগুম্না শান্নবা, হকচাংগী শিংলি–নাওরি পুম্বদা মথৌ পীবা , লেংবা –ওৎপা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নখ্রবা অমত্তা ঙাইরবা মশান্না অসিবু ইরৈপাকমচাশিংনা মশান্নসিবু কনবদা অঙম–অঙম্বা তেংবাংবীদুনা মালেমগী শান্নবুং কৈথেলগী (ওলেম্পিক) থাক ফাওবা য়াওহন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাওমীশিংগা উনবা অদুদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মৈতৈ অমসুং এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বর সলাম শমসো মৈতৈসু শরুক য়াখি।

# য়াইস্কুল, শিংজমৈ, শগোলবন্দ অমসুং খুন্দ্রাকপমনা গম্ভিনি লৈমা নীংশিং কাং টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলগীদমক শেম–শাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

থাংমৈবন্দগী লাইজিং নিংথৌ কাংশঙদা জোটিন ৱাইখোমনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরক্লিবা ৪শুবা ৱাইখোম গম্ভিনি লৈমা নীংশিং কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা কাংখুৎ মরি– য়াইস্কুল, শিংজমৈ, শাগোলবন্দ অমসুং খুন্দ্রাকপমনা সেমি ফাইনেলগীদমক শেম–শাবা লোইখ্রে।



অহানবা সেমি ফাইনেল থা অসিগী ৬তা য়াইস্কুল কাংখুৎ অমসুং শিংজমৈ কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল থা অসিগী ৭তা শগোলবন্দ কাংখুৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ অনীনা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯ না গ্রুপ মরি থোক্তুনা জুলাই ১৯দগী হৌদুনা শান্নরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা খুন্দ্রাকপম কাংখূৎনা থোংজু কাংখুৎপু পাঞ্জল ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ১২ লৌবা ঙমখি অদুগা থোংজু কাংখুৎনা পাঞ্জল ৮ লৌদুনা খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ৪ লীদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল ১৪ অদুগা থোংজুনা পাঞ্জল ৮ লৌদুনা পুন্না পাঞ্জল ২৬–১৬ দা মায়থিবা পীখ্রে।


মায় পাকখিবা খুন্দ্রকপম কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি নোংথোম্বম লৈশঙ, থাংজম খেল সিংহ, এল ধিনামানি, এল সুরজিৎ, কে ঐচ সন্তিকুমার, দব্লিউ জয়চন্দ্র, টি ঐচ জুগ্রিন্দ্রো, এন ইনাওতোম্বী, টি ঐচ থোইবা, এ নিংথেমজাও, লালাবী অমসুং এন সরতনি।

অদুগা মায়থিহৌরবা থোংজু কাংখূৎকী শান্নরোইশিং অদুদি – এল সমানন্দ, টি ঐচ ধম্ম, এস সনায়াইম, এস অমুজাও, এ ইবোহল, এল তেম্বা, এন সরত, এ ধিনামানি, জি ইবোচা, এ কুঞ্জো অমসুং এম কুবেরনি।

# ষ্টেট লেভেল স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ বুশ্বরিয়ানা সেনিয়র ৱুমেন্সকী মেটচ অহুম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

মণিপুর স্কৱাস রেকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙ্গৈদা লৈবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা চথরিবা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল সব–জুনিয়র, জুনিয়র এন্দ মাষ্টর চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং তরুকশুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র ৱুমেন কেতেগোরি মেটচশিংদা বুসোরিয়া কে না মেটচ অহুম মায় পাকপা ঙমখ্রে।



বুশ্বরিয়ানা অহানবা মেটচতা এম লিন্থোইঙাম্বীবু সেট ২–০ (১১–৯, ১১–২) পোইন্ট দা মায়থিবা পীখি।

মহাক্না অহুমশুবা মেটচতা এল জয়প্রিটি চনুবু পোইন্ট ১১–৬, ১১–৭ দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা মরিশুবা মেটচতসু মহাক্না এন জি নান্দিতাবু পোইন্ট ১১–২, ১১–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী অনীশুবা মেটচতা এল জয়প্রিটি চনুনা এন জি নন্দিতাবু পোইন্ট ১১–১, ১১–২ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা সব–জুনিয়র বোইজ কেতেগোরিগী মেটচ অমদা এল দিপরাজনা ৱাই সুরাজপু পোইন্ট ১১–৫, ১১–৯ দা মায়থিবা পীখি।

# কম্মনৱেলঠ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট সেরাম বিজু ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

ইংলেন্দগী ন্যু কেস্তলদা জুলাইগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ জুনিয়র কেদেদ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী সেভর টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকখ্রবা সেরাম বিজু ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা লৈকাইগী অমদি ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেভর টিম ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচতা স্কোটলেন্দগী ফেন্সরগী মখূৎতা মায়থিহৌরগা মেডল ইভেন্টতা কানাদাবু পোইন্ট ৪৫–৪৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকখিবনি।

বিজু খোঙমন ময়াই লৈকাই জোন –৪ দা লৈবা সেরাম ইমো সিংহ অমসুং সেরাম ওংবী বৈগ্যাবাটি দেবীগী অনীশুবা মচানুপা নি।

# সিএসয়ুনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

কোলকাতাগী খুদিরন অনুসিলনদা চহি অসিগী জুলাই ২৬ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ক্লাস বোক্সিং এমেচর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সপ ২০১৮ গোর্ল্ড মেডল ফঙলকখ্রবী টি এস ইলিজবেথ চিরুবু চিরু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (সিএসয়ু) না থাগৎপা হরাও–নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

মখা তানা য়ুনিয়ন অসিনা ইলিজবেদকী তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা খাং–কনবা থৌনা লৈনা কম্যুনিটি অসিগীদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী লৈবাকসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা থৌজাল পীখি।

# খৃষ্টিনা অমদি সন্ধীয়াবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

কোলকাতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা চহি অসিগী জুলাইগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ ৱার্ল্ড এমেচর চেছ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুবি ষ্টেট অসিগী শান্নরোই অনী য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা লৈবী লাইশ্রম খৃষ্টিনা দেবী অমসুং হুইদ্রোম সন্ধিয়া দেবীবু য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা খৃষ্টিনানা জুনিয়র কেতেগোরিগী কেজি ৪৫ গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিবনি। অদুগা সন্ধিয়ানা সব–জুনিয়র কেতেগোরিগী কেজি ৫০গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেডল ফঙখিবনি। শান্নরোই অনী অসিনা গোল্ড মেডল ফঙদুনা ষ্টেট অসিগীতা নত্তনা ভারতকী মিংচৎ পুরকপদা য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবনা হরাও–নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু মেডল কয়া ফঙলক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।




# ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিয়েল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট এসবিএনৱাইসি জিরিঘাট অমদি মোকম্লুং এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্ট এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা থা অসিগী ২৭ তগী হৌদুনা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ১৫শুবা চান্দম ইনুংঙান্বী মেমোরিয়েল মিনি বোইজ (য়ু–১৩) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অহানবা মেটচতা এসবিএনৱাইসি, জিরিঘাট না এলইসি, বাবুপারা টিমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে অমদি মোকম্লুং এফসিনা সনরাইজ ক্লব কাদমতালাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসিগী অহানবা মেটচ অসিদা এসবিএনৱাইসি, জিরিঘাট টিম অমদি এলইসি বাবুপারা টিম অনীনা শান্নখি। এসবিএনৱাইসি জিরিঘাট টিমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা এলইসি বাবুপারা টিমনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাল্ফ মমাঙদা টিম অনীনা য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু টিম অনীনা গোল অমত্তা চানবা ঙম্নখিদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এসবিএনৱাইসি জিরিঘাট টিমগী শান্নরোই সুদিপ তেলি না ৪১শুবা মিনটতা, বিজয় না ৪৯শুবা মিনটতা অমদি সুদিপ তালি না ৫৪শুবা মিনটতা গোল ৩ অমুক চান্দুনা এসবিএনৱাইসি জিরিঘাটনা এলইসি বাবুপারা টিমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। রেফরিনা এসবিএনৱাইসি জিরিঘাটগী শান্নরোই বিকি গোৱালা বু ২৫শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা মোকম্লুং এফসি অমদি সনরাইজ এফসি কাদমতালা টিম অনীনা শান্নখি। মোকম্লুং এফসি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা সনরাইজ এফসি কাদমতালানা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা মোকম্লুং এফসি টিমগী শান্নরোই দেবিদ না ৫শুবা মিনটতা চিংঘাম না ২৬শুবা মিনটতা গোল অনী চান্দুনা একাউন্ট হাংদোক্তুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা মোকম্লুং এফসিনা সনরাইজ এফসি কাদমতালা টিমবু গোল ২–০ ওইদুনা মাংজিন থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা মতুংদা মোকম্লুং এফসি গী শান্নরোই দেবিদ না ৩৭শুবা মিনটতা, ইলিফাজ না ৩৮ শুবা অমদি ৩৯শুবা মিনটতা রন্নিংখৌৱান না ৫৭শুবা মিনটতা অমদি সনরাইজ এফসি কাদমতালা গী শান্নরোই ন্যুতোন না ৪৮শুবা মিনটথা আউন গোল অমা চন্দুনা মোকম্লুং এফসিনা সনরাইজ এফসি, কাদমতালাবু গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী মায়োক্তা কুকি এফসি অমদি অনীশুবা মেটচতা আরৱাইসি রামজাইজাংগী মায়োক্তা লালপানি এসসি টিম অনীনা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা ভি জে য়েল, লেনটিমসেম, পাঙ্গাফাও অদি অজিজ হায়দর না সেন্টর রেফরি, এ আর ১ অমদি এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# টুর্নামেন্ট ওফ নেসন ২০১৮গী টাইটল য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা লৌখ্রে

ইলিনোইজ, ওগষ্ট ৩ঃ

আমেরিকাগী সিটি ইলিনোইজ দা লৈবা তোয়োপার্কতা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট ওফ নেসনগী মেটচ অমদা য়ুএসএ নুপী ফুটবোল টিমনা ব্রাজিলগী টিমবু ৪–১ দা থোইরগা টেবলগী মকোক ওইদুনা টাইটল লৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট ওফ নেসন ২০১৮ গী টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট, ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল অমদি জপাননা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা জপানবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোলশিং অদু কেনেদিনা ৪৭শুবা অমদি কেরনা ৮১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেনা ব্রাজিলবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেকী গোলশিং অদু লেভেল্লেনা ৩৩শুবা , ইর্টজনা ৫৩শুবা, হেলথনা ৬১শুবা অমদি মোর্গননা ৭৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা ব্রাজিলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দেবিদসননা ১৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*